> "মী উদ্রবসু অমন্বদা ইকাইয়ু
> নুংগী মিৎস্নানদি ঙম্মমক উবনি।"
> - ইরোম শর্মিলা

# হৈজেঙ্গেং

## হৈগদ্রা ঐবু

**— রোমি তখেল্লম্বম**

মখোয় অহিংবনি হায়নৈ!
মমিৎ কোৎথোক্লে অমগা 'মগা
ঈ চূপনৈ অমনা'মদগী
খরা হেন্তক চূপ্পনা মশা মফৈ
থাজনদে কনানা, কনা অমবু
মুন্নৈ অমগী ফিদা অমনা হেক্তা
কুচু ঙৌশোক ঙৌরম্বদু-ঙাংলৈনখি
পূনখ্রবদি তীনফা-কাকফৈ মরক্তা
কংশিল্লকখি শংলম্বা উনাসু কেল্লবদা
ওনখি শকখঙদবা চাক্তামিন্নরম্বশিংসু
হৈনৌ মখোঙগী হাংচিক লাংখ্রবশিংনা
কাউখি মাংলমচৎকী কাউঙমদা খোঙচৎসু
নুংশিনবগী লেঙ্গোন অমুক্তা, থাঙগী থাঙখুন
মমল লৈতে থৱায়গী; চান্নবা মশক মাঙখি
মাঙদনা নোকফেৎ-তুংদনা তেনজৈ লং
হা উরোক; নমাংসু লাং-নতুংসু তেন
নিংথৌ শেন্বগী মীফম তোয়, পূক্লোইশিং
য়াংগং পুকহাপ্পশিং, লাংথ্রুবি ঙাক্তনি
শম্বল খাবীনবা লৈত্রবা, মপু পান্দ্রবা
লম্মাংদুগী লৈশক হেল্লবী লৈরাং কয়া
চিনবীনবা লৈতনা, নৈথৎখ্রে ষণজাও কয়ানা
হৈগদ্রনে ঐবু, তমখিগদৌরিব্রা অমুক
তীংগোং কাংগোং ওল্লদুনা, মায়কৈ-তম
মখা কদোম-অৱাং কদোম হূৎ-হূৎ।

## নুংঙাইরক্কদ্রা? নুংঙাইরক্কদ্রা? খন্না খন্না হিংলুই

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

তাইবঙ মীওইবা! হিংনরি আশা অমদা
নুংঙাইরক্কদ্রা? নুংঙাইরক্কদ্রা? খন্না খন্না,
মপুধৌ মবেনধৌ হাক্তক্তগী খন্দুনা লাকই
শুরোল কয়া অৱাবনা কোকথোং নাদুনা হিংলি।
মচা মশুফাও লায়রবগী হুমাং কোক্তরি
খঙহৌদনা লিখৎলকপসু ময়াওদবদি নত্তে
শেগায়রবা পুন্সি ইনাকখুনবগী কুয়োমনুংদা।
খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙম্নরি
শুনা শুনা মপু ওইবা ঙমদবা মীনাই
মসিবু লাইবক্নরা থৌশিল হৈতবনরা?
লাকপা ফোইবা হৈবা মপুধৌ মবেনধৌ
শুরোন চারোল মঙাল থোক্রা হিংলি।
অৱাংবা ফিদাদা ঙাম্থোইরি চীং লেম্না
লায়রবা লৌমী শিন্মী নঙগীদি কদায়,
শুরগা চারিবা নুঙ, লৈঙোই পেল্লিবা
হুমাংতনা চোৎলবা হকচাং
লোইখিনি শারবা কালেনগী মৈশালক্তা
লোইখিনি নিংথম উলেনলক্তা
থনম্বা ঙমলোই নরল নথুম চারোল শুরোলগী।
হিংউ নুংঙাইরকখিনি নুংঙাইরিকখিনি খন্না খন্না
মালেমগী চাওখৎলবা লমজেলসিদা
পোৎ চৈগী মমল অতিয়া য়ৌরবসিদা
নঙগী হুমাংমন্দুনা হিংবা ঙমগদৌরিব্রা?
তরেৎ শেঙ্গা য়াওদ্রবদা করম্না শেমগনি
ঐগী ইমুং য়ূমথংনবগী ইমুং লৈকায়।
খোল্লাউ অমত্তংদি লাউনীংলি
শেঙ্গা থুমজা লৈতবা চেজেৎতা য়ূম্ফম ওইদবা
অশেংবা অচুম্বা ফিদম লৈবা মীশক
সমাজদা মান্নবগী ৱাখল্লোন চেনবা
ওইহল্লু মখোয়বুসু মনীংতম্বা পুন্সি।

## মীনাই ওইবগী সর্টিফিকেট

**—নাওরেম মঙ্গি**

মীনাই ওইবগী সর্টিফিকেট
উপখরে কোক্তুপ ওইদুনা
মীখা পোনবগী লেংয়ানফি
য়ানখরে লেংবান্দা হরাওনা
ইকায়বা হৈতরে মখোয়সে।
মীয়াম্না থাগৎখিবা মখোয়না
মীয়াম্বু খোঙনেৎনরক্লে
চোংনীংবতা চোংলিবা মখোয়না
মীয়াম্বু খোঙনেৎনরক্লে
চোংনীংবতা চোংলিবা মখোয়না
দেমোক্রেসিবু ফাগি তাহল্লে
য়েংনীংদবনা মিৎলি নারে।
মীতৈ নংতবরা মখোয়সে
মখোয়গী শিংলি অসিদা
চেন্দবজাৎলা ঈ মৈতৈগী
মুকশন ওইরবা নেটাশিং
তূল্লিবা মিৎতো পাঙথোক্লো।

## মঙ অমসুং তাইবঙ

**—অঙোম ইবোমচা**

অমম অঙান অনীনা
পুদুনা চৎলি তাইবঙগী পুন্সি
অমম্বদা য়াহিপ্পা
অঙানবদা য়াকায়বা
তাইবঙগী খোঙচৎনি কায়ফদ্রবা।
উদবনা খঙদবনি অমম্বদা
পীখ্রবনি অঙানবা লম্বীগী
তৌগদবা থবক্কী ফল
অমম্বা অহিংগী মঙলান্দা।
তাইবঙগী পুন্সিনা লোইরকপা
পাঙ্গল ময়েংনা তারকপা
ৱাখলদা চোইরোল লাকপকান
উরক্কনি মঙলান্দা মাগী
লাইওইখ্রবা মীওই খুদিংমক
অহিংবা তাইবঙ মীওইগুম।
হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা
খঞ্জবনি অৱা নুংঙাইবগী ৱাখল
শিখ্রবা মাগী থৱায়দি
হিংমিন্নরি শান্নরি নুংঙাইনা
লাইওইখ্রবা থৱায়শিংগা পূন্না।

## শক্লোন য়াম্বী মায়থোঙ থাজ

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

নুংশিদ্রা য়েংউনে নুজাগী কোকশেৎসে
নৌনা লায়র মৈখু লাংলবীসে,
কেবা য়াবা কেশিল্লগা
নিংথিবা ফিজোল শেৎচিল্লগা
নুংঙাই য়াইফনা লৈবী অমগুম
তুংইনজরকই লৈকায় মচে-মনেমগী।
কুমথরকই তুরেল খোংনুংদা
অমনবা ফিজোল হোংখ্রে
অহনবা চরৈ থমখ্রে
কোকশেৎ কন্না শেৎচিল্লি
মিৎসনা অনীদং মফাৎলি
নিংথিবী মায়থোঙ মাঙখ্রে
মখূৎতা পোলাং পায়রগা
কুমথখরে ৱাকচীংগী ঈংলবা লাইজনুংদা।
কোৎলি নুঙ-লৈঙোই
পাঙ্গলবা নুপানা হেন্দে থৌনা
চোকথবা লৈত শিন্থা পাংলি।
তরা চাকলেন চাবা মতম য়ৌরকপদা
মখোঙ মখূৎ শেংদোক্লগা
তরা চয়োম থোক্তুনা
নোক্লা নোক্লা তরা চিনদম্মীনৈদো
মদুতবু কল্লকচরুই ঐগী থম্মোয়না
য়াওজনীংলুই ঐসু মখোয়গী মরক্তা।
কোরৌ ময়ূম চঙলমদাই
ইরু শাদেংখ্রে, নিংথিবা চরৈ হোংখ্রে
য়াইফকোনগী নুজাগুম
খোঙকাপ ইহুন তমখ্রে।

## লম্বীদুদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অনৌবা ফিজেৎনা লৈতেংলদুনা
কনাদসু করিসু হায়রমদনা
চৎখিগনি ঐখোয় খুদিংমক
মানা মানা শেৎলু-চারুবা
ফিজেৎ লৈতেংশিং
অদু থনমদুনা।
য়েংনদুনা, লৈথরদুনা
লৈহৌগনি ঐখোয় মশেল
অমগা অমগা
মানা মানা চৎখিবা
লম্বীদুগী ৱারীদা,
লিনগনি ৱারী ওইনা
মঙানি, তরানিদি।
লোইখিদুনা মতম কৌবী
লাইরেনবীনা, লেপ্পরগনি ইনাক্তা
কাইনরমদাইগী মখূৎ থাংগৎলদুনা
কপ্লিবরা নোক্লিবরা খঙদনা।

## ফাইরেন থানা লাকপদা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ৱাকচীংগী উলেনবু মায়থীবা পীরম
ফাইরেন থানা খোঙদোই হুল্লকপদা
নীংশিংহল্লে অমুক নৌহৌননা মতমদো
চহী কুন্থ্রা মমাঙগী থৌদোক্তো,
সনজীং চীংজাওনা ননবগুম থোকখিবা
কাউগে খল্লবসু শুক্কাউ কাউঙমদে/
শরেপ কাংদোং ফাদ্রিঙৈ
শামু পাঙ্গলনা কন্দ্রিঙৈ
ৱাখল অঙাং ওইরিঙৈ
পন্থৌ শেৎন-খাইনবগী
চৈবী চৈথেং ফংদুনা
পীক্লা উলেন নংলকখিবনি;
পল্লেপফম খঙদ্রা ফাইরেন লৈচিলগুম
ককঙাওনরবা ঐগী লৈতাদ্র ৱাখলবু
ফাথবীখি নুংশিরবী পলেম ইমানা,
তৈথোকপীদুনা মিৎলুদগী শিন্থরকপা পিরাং
তাকপীখি পুন্সি খোঙচৎ লায়দবনি
অরাক অরাকপা থেংনদুনা চৎকদবনি;
নফমদা শকখিবা শরী ৱাশক
থবক ওইনা উৎখিবা ঙমদ্রবসু,
নহাক্লা শাগৎচরম্বা মঙলান কয়া
মঙফাওনবা ঙমদনা চৎখ্রবসু,
নচানা মায় পাক্লবা মীৎকুপসিদা
মোমোন মোমোন নোক্লকউকো লাইরৈবাক্তগী।


## ৱাকচীংগী উলেন

**—এম নিলকুমারী**

হিংলিবনি পুন্সিসে,
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা।
হিংলিবনি পুন্সিসে - নুংশি নুংওন লংলাদা।
ৱাকচীংগী উলেননা ইন্নরক্লি
অহাঙবা মালংনা লৈতেংননা।
তঙাংলবী গুলাপকী লৈকোল
লৈয়োন শুনা লৈশাৎলমদ্রে,
লৈনা থক্তা মায়হিং কাহৌরে।
লৈকোনগী গুলাপ
তিঙ্খংনা লৈয়োম্নরবরা
ৱাকচীংগী উলেন কিজবদগী।
পুর্ণিমাগী ময়াই কারবা থাজগী মঙালদা
ইরোইনরি ৱাকচীংগী উলেন
চীংশাং পরেং তুম্পক-তুম্পক
মনা পুংলবা উজাওদা
উরিনা চেজেৎননা য়েৎতুনা
নিংথম উলেন খাংহৌরি।
চীং-পাৎ-তুরেল খেন্নবা লৈতে
ৱাকচীংগী উলেন।
থরো থম্বাল থারিকথা
লৈওন্নরি লৈনাংদা
চৎখিগদরা নহাকসু
কালেন মৈশা কিদুনা - নোংজুগী মিকপ মিরাও কিদুনা
হিংলিবনি পুন্সিসে, নুংশি নুংওন লংলাদা।
হিংলিবনি পুন্সিসে অকনবা নোংলৈ লক্তা
লোইখিগনি খঙহন্দনা ঋতু ঋতুগী খোঙচৎনি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# লুহোংবদা শামু তোংগদ্রা দোলাই তোংগদ্রা ?



অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী সনা লমজাও অসিদা শামুনা চৎপা উরকখি। শামু মথন্তা চৎপা নত্তে। মথক্তা মী তোংঙি। কদায়দা চৎপনো করিগী চৎপনো খঙদে । তোয়না উবসু নত্তে নোংমা ফাদোক্লি। কোনুংগী শামুনি হায়বা অমসু হৌজিক লৈরিবা সনা কোনুংগী থোঙ্গান ময়াদা মচা চেনবী শামু পুল্লগা থম্বা উহৌখি। মতমদু, ইম্ফালগী হৌজিক ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়ার ঠিয়েটর লৈরিবা স্বাইসিদা শাগোল লমজেল তান্নরমখি । শাগোল লমজেল তান্নবসিদা ঐখোয়গী শাগোল য়াওই হায়দুনা ইধৌ অমদি অবোক্লা য়েংবা পুরকপদা কোনুংগী পুল্লিবা শামু অদু ঐনা অঙাং ওইনা উহৌখি। মতমদু চাউরাক্লা কুমশীং ১৯৬৩/৬৪ ওইগদ্রা খল্লি য়াম্না অঙাং ওইরি। কাবক কাবক চাউরাকপা নীংশিংলকপনি।

শাগোল শামুগী ৱারীসি অবোক্লা য়াম্না তোয়না লীবরিকখি অদুনা অঙাং ওইনা শাগোল,শামু অমদি মৈতৈ হুই অসি ঐগী অপান্বা শাশিং ওইরকই। ঐখোয়গী শাগোলশিং অমদি লোইরকখিবা মৈতৈ হুইশিংগী মরমদা ঐনা খঙবসু খর লৈরি । শামুগী ৱারী অসিমদি অবোক্লা ৱারী লীবীবদগী তাখিবনি। মোইরাংগী লুখ্রাবীনা লোইবা শামুগী ৱারী, কৌব্রু লাইশা শামু অঙৌবগী ৱারী, কোনুংগী শামু কোন্দুস্বগী ৱারী অসিনচিংবা মখল মখলগী ৱারী তাখি। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐনা য়াম্না কিখিবসি- ৱারী লীবদা লোইদ্রবদি মঙদা শামুনা তাল্লি হায়বসিমগা, শামুগী মমাংদা ফৈজোম থোকপা মী (ফি শেৎতবা মী) উবা য়াদেহায়বসিমগা অনীসিনি। অঙাং ওইরিঙৈ,শুন্মাংদা শান্নরিঙৈদা লমজাওদা শামু তোংলগা মী চৎলিসি য়েংলো লোও হায়দুনা অবোক্লা কোন্থোংদগী হায়রকপদা চেন্থোক্লগা য়েংখি। মথক্তা ময়াং (লমদমসিগী মী নত্তবা)অমনা তোংঙি। উচিংবগী মণিপুরগী মপান্দগী অসাম,ত্রিপুরা, হোজাই সোমদগী লাকপনি করামগী শামুনি হায়নখি। কোন্না তারকই করাম হায়বসি ঊগী ললোন ইতীক তৌবদা মতমদুদা মমিং লৈখিবা করাম অমুমচা কৌবা অমগীনি। করাম পাবুং অমুমচা অথেংবদা অমুক থেংনরকখি। মণিপুরগী অহানবা ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর' পুথোকখিবা পাবুং করাম মনমুহোন হায়বদুনি। মহাকপু মীয়াম্না করাম অমুমচা শামু লোইবা হায়রগসু খঙনখি। পাবুংনা হিংলিঙৈদসু মহাক্না ঊগী ললোন ইতিক তৌবা মতমদা শামু শীজিন্নখিবগী ৱারী অসিমদি মতেক খরদি লীবীরল্লে। খঙবু খঙনীংলগদি ৱারীসে মরি মরি থোকলকখি। ঐনা খরগা খঙনীংবগা অদুম হেক্তা তারকই, থেংনরকই, উরকই হায়দুনি।

ইমাসি মহারাজ কুমারী বিনোদিনীনা হিংলিঙৈদা লন্নাই ওইনা কোনুংগী শামুগী মতাংদা ৱারী শানজ হৌখি। কোনুংদা শামু লোইরকপগী ৱারী, শামু ফাবা চৎপগী ৱারীশিং লীবীরম্মী। ইমাসিগী লাইরিক 'চুরাচান্দ মহারাজগী ইমুং মনুং' হায়বা অসিদা চেপ্টর অহুম - শামু ফারমদাই,চুরাচান্দ মহারাজগী শামু ফুলকুমার তখেন শা, শামু য়াইশা হায়দুনা অখন্নবা লমায় ওইনা হাপ্তুনা য়াওহনবীরি। ঙল্লিঙৈদা মণিপুরদা শামু লৈরম্মী হায়বসিমদি ময়েক শেংলে। মথক্তা পানখিবা নিংথৌশিংনা শামু অসি হীরম কয়ামুক্তা শীজিন্নে।

লৈঙাকলোন্দা, শেনমিৎলোন্দা শামুগী মফম লৈরকই। মোইরাং কংলৈরোলদা শামুগী মতাং অসি চাউখ্রবা ৱারীনি । শামুগী নুংশি নুংশিবা ৱারী য়াম্না লমদম অসিগী ৱারীশিংদা লোইনদুনা লাকই। ঙসিদি শামু হায়বা শা অসিগী মশক উবদি লায়রদনা শামুগী ৱারী ঐখোয়গী মরক্তা শানখিদ্রে, মণিপুরগী শামু লৈরম্মী । শামু লমদমসিগী মরুওইবা শা অমনি হায়বসি কনাসু নীংশিংনদ্রে ।

শামুগী মরমদা ৱারী ৱাখোং থিজিনজরকপসি ঐগী ওইনা কুইরবা অমনি । লমদমসিদা শামু লোইববু ইনাক খুনবা মীনি হায়নৈ। করাম পাবুং অমুমচা (মনমুহোন ) নত্তনা লন্নাই ওইনা শামু লোইবা মী লৈখিদে, লৈরগসু তাখিদে। শামু হায়বা শাসি মীচম্না লোইবা ঙমলোই। কোনুং মনুংগী শামু লৈরকই। কোকচাই হায়বা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা মফম অসিদা শামু থাদোকফম ওইরকই। নিংথৌনা শামু শীজিন্নরমদাইদা কোকচাইদগী শামু ফাগৎহল্লি । শামু হঞ্জবা হায়বা ফম অমনা লৈপাক্কী থৌ পুহল্লগা লৈরকই। শামুদি মীচম্না শীজিন্ননবা নত্তে। নিংথৌনা সনা কোনুংদগী কোংবা লময়েংবা, সনা কৈথেল কাবা লেঙথোকলকপদা শামু তোংলগা লেঙথোকই। লৈপাক্কী ওইবা হরাউ কুম্মৈদসু শামু তোংদুনা লেঙথোকই। লমদমসিগী ওইনা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা ওইখিবা, চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা কছার ফুলেতোরদা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী ভাইস রোয় নোর্থ ব্রুক্কা য়ানচে ইবা (১৮৭৪) চৎপগী খোঙচৎতা শামু তোংলগা চৎখিবগী ৱারী চাউনা লাইরিক ওইনা 'চন্দ্রকির্ত্তি জিল্লা চঙবা' / 'চন্দ্রকির্ত্তি জিলা দরবার' হায়না লৈরি । য়ামখ্রবা শামুগী থৌদোক কয়া লৈখিবগী ৱারী ঐখোয়না তারি।

খরা থেংথরকপা ১৯৬০গী পরিংগী মীরোলদা অমুক শামুগী ৱাফমসি মরু ওইখি। লুহোংবগী নুপী কৈন্য থিল্লকপদা শামুদা থিল্লকপা মরক খরা অমুক তৌনখি। লুহোংবা খুদিংমক্তদি নত্তে। শামুদা থিনবা হায়বসি মীচমগী লুহোংবদা ওইগন্দে। খুল্লক্কী লুহোংবদসু পংয়াও য়াওদে। নিংথৌকোনগা শম্নবা, খর মশক্লাইবা মীচং সঙ্গা ফবা ইমুং মনুংগী মচা মশু লুহোংবদা শামুদা থিনবসি তৌনরকই। কোনুং খন্দবা য়াদে, শামু ৱায়বগী পৈশা পীদবা য়ারোই । লুহোংবদা শামুদা থিন্নরম্মী হায়বসি ৱারীদা অয়াম্বা তান্নরে । কনাগুম্বা উহৌই হায়বা মীসু য়াম্না লৈ । ৱারেংজরিবা ইশামক লুহোংবদা নুপী থিল্লকপা,পৈশা অচোয়বা নয়া পৈশা তারা, পৈশা ৫ চাইবা লুহোংবা অমা অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী থোঙ্গান মপাদা চৎখিবা থেংনরকই। শামুনা লেম্না লমজাও সরক মথক্তা কৈন্যা পুরগা লাকপদু নত্তে। কৈন্যদি তোংলে অদুবু শামু অদুনা লমজাও সরক মথক্তা চৎতনা লম্বীগী মতাইদা চৎলগা ৱাপলগী শম্বল ৱাশা লামদুনা থৎলগা চা চাদুনা চৎখিবনি। লুহোংলিবদু কনানো খঙদে । লুহোংবদা ফোটো কাপখি। ফোটো কাপ্পা খুদিংগী ঙানখিবা বল্ব অদু শুপচিল্লগা চাকথেকই। অচাকপা বল্ব অদু কেমেরা মেন অদুনা লংথোকই।

ঐখোয়না খুনবা তান্নখি ।

লুহোংবদা শামুনা নুপী কৈন্যা থিনবগী ৱারীসে ফনা য়াম্না ঙাঙনরে মী অয়াম্বনসু খঙনরে পাউ তানরে । ৱারী শাবদা হায়নৈ...অদুগী মচা নুপীদো লুহোংবদা শামুনা থিনখি। ...অদুগী নুপীদো ..আদাগী লুহোংবদা শামুনা থিনখি পৈশা চাইখি। সুমাইনা হায়বসি মীশিং ফনা য়াল্লে । ফোটো অমত্তং লৈব্রা য়েংনিংঙি হায়না হংলগদি ফোটো ফংবা ঙমদে। শামুদা লুহোংবা থিনবগী ফোটো ঐহাক্লা থিজরকপসি কুমশীং ১৯৯২দগীনি । চহী ফনা কুইরে । ঙসিদগী চহী ১০ লোমগী মমাংদা কৈশামথোং কবুই খুন্দা লৈবী ওজা অলুনা কবুইনা কৈশামথোং কুবুই খুনগী নুপী অমা লুহোংবদা বোধচন্দ্র মহারাজনা শামুদা তোংহনখি হায়বগী ফোটো অমা ফংহনবীরকখি । ঙরাং নহান মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগা সাহিত্য একাদেমী নই দিল্লিগা খুৎশম্নরগা পাংথোকখিবা "হৱাইবম রনবীর পুন্সি অমদি থবক" হায়বসিগী মতাংদা চে অমা পাথোক্লবা শিন্নবীরকপদগী উরিপোক্তা লৈবা হৱাইবম রনবীরগী ইমুংদা চৎচদুনা ৱারী ৱাখোং লৌজরুবদা হৱাইবমদা ওংলিবা ইমা অসি অমুক লুহোংবদা শামুদা থিল্লকপগী ৱারী লীবীরকই। খাগেম্পল্লিদগী উরিপোক তান্না শামুদা থিল্লকখি । মহারাণী থোং শামুনা লান্থোকসি য়াদবদগী নম্ফুল তুরেল কুমদুনা শামুনা লান্থোক্লগা উরিপোক হাউবম দেৱান লৈকাই তান্না শামুদা কৈন্য থিল্লখিবগী ৱারীনি । ৱারীসি মমল য়ামখি ফোটোদি ফংবা ঙমদে । লুহোংবদা শামুদা কৈন্য নুপী থিনবসি মণিপুরদদি চৎনরম্মী। নিংথৌনা অয়াবা পীবিরি। অঙাং ওইরিঙৈদা নিংঙাই তৌদুনা কপ্লিবা ইচন নুপীদা অবোক্লা হংখি, হয়েং লুহোংবদা ইশুবু দোলাইদা থিল্লুরা শামুদা থিল্লুরা ? ইচন নুপীনা মথোং মরম খংদনা কপলম্বদগী তোক্লগা হারাউনা খুমলকখিবা নীংশিংলি- শামুদা থিল্লু। ইচন্না খুমলিবদু খঙলগা হায়বা নত্তে। ঙাইহাক লৈরগা শামু তোংবা কিজৈ দোল্লাইদা থিল্লু হায়না অমুক কপলকখি। মচা মশুশিংবু অহল লমনশিংনা নুংশিনা লক্রুবোই করিওই তৌদুনা লুহোংবদা শামুদা থিল্লুরা দোল্লাইদা থিল্লুরা হংবসি ঐগী অবোক্তগী তাহৌখি । কনাগুম্বা অতৈদসু হংনরমগনি।

কুইনা কাওথোকলুরবা লুহোংবদা শামুদা থিনবগী ৱাফম্নি। অনৌবা চহী ২০২৩ হৌরকপা অসিদা ঐনা থিরকখিবা লুহোংবগী ফোটো অসি ইকায়খুম্নজরিবা পোলিটিকেল এনালাইসিস, ঐগ্য লৈহাউথাবম শরত শর্ম্মানা থাজদনা লুহোংবদা নুপী শামুদা থিনবগী ফোটো অমা লৈরে হায়দুনা থারকখি। ঐগী মরুপ নিংঙোম্বম জাদু, ব্লুমিং কলচরেল একাদেমীগী ডাইরেক্টর ওইবীরিবনসু থারকখি। ঐগ্য লৈহাওথাবম শরত, মরুপ জাদুমণি ঐখোয় লুহোংবদা শামু তোংবগী ৱারী হেক হেক শানখিবসি শানবসি কুইরে । মরম অদুনা তাঙনা ফোটো অসি ফংলকপদা পাউ পীনখি । হারাউমনখিদুনা ঐগ্যাদা ফোন তৌজখি মমল য়াম্বা ফোটোনি কনাগীনো খঙজনিংঙি হায়খি । খঙবা ঙমদনা লৈরকখি। ঐখোয়না খঙদবনি মোবাইলদা থাগৎতুনা মী অয়াম্বা ফোটো অসি খঙনরল্লে । হন্দক থাগৎলকপা ফোটোসি উদবা লৈরমদ্রে । ঐহাক পোৎথাবা ঙমখিদে হৈত- হৈতনা মোবাইলদা থারক্লিবসি কনানো কোইথি থিহনখি । কাইনথংদা নক্লা লৈরমখি । শীংজমৈ চীংঙা মথক,চোংথাম লৈকাই নিংথেমচা ময়ুমগী কোল্লুপ অমগী ইমুং ওইরমখি। ফোটো অসিবু থাগৎপীরিবা অসি রাজকুমার নারেন্দ্র কৌরম্মী, শামু তোংলিবী অসিগী মচা নুপা অতোনবনি। মহাক্কী ইমা ইবেম্মা থৌচোম প্রিয়োসখি, কিয়ামগৈ হৈবোং মখোংদগী শীংজ মৈ চোংথাম লৈকাইদা লৈবা রাজকুমার লাকসনাদা লুহোংলকপদা থিল্লকপগী ফোটোনি। মতমসি চাউরাক্লা কুমশীং ১৯৬৬-৬৭ স্বাইদনি। ইমুং মনুংগী পাউদগী খঙজবনি। লুহোংলবা মতুংদা শামুদা থিল্লকখিবসি কিয়ামগৈদগী শীংজমৈ ফাওবনি। শামু তোংলীবী ইমাসি কুমশীং ২০০৮ তা লৈখিদে মতুং খরা লৈরগা পাবুং খাগা লাকসনাসু লৈখিদে হায়বসি মচাইবুংঙো নরেন্দ্রদগী তাজরকখি। ইমা পাবুং অনীমক লৈখিদ্রে । মচা ইবুংঙো নরেন্দ্রনা ফোটো অসি থেঙনবদগী মেডিয়াদা থাগৎলকখিবা ওইরমখি। মহাক্লা থাগৎপীরকপদগী ঐখোয়না লাংতক্লনা উনিংখিবা মৈতৈ নুপীনা লুহোংবদা শামুদা থিল্লি হায়বসি উহৌবা লৈরবসু মওং-মতৌ অসিনি হায়না তাকপা ঙমদবা অদু হৌজিক্তি ময়াম পূম্নমক খঙমিন্নবা ফংলিবসি মমল য়ম্মী ।

ঐনা খঙজনীংদুনা অমুক নরেন্দ্রগী শাগৈগী খুরা ওইরিবা, কাং শান্নবদা থৱায় য়াওবীবা য়াম্লুং গোজেন উন্নজরুবদা ইমুং মনুংগী ওইবা অকুপ্পা ৱারীসু মখা তানা তাজবা ফংখি। ইমুংগী অহল-লমনশিং অসি মমিং লৈরকখিবা ঙাক্তনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা কোনুংদা লোইবা শামু ময়া ককপদা হৈ-শিংবা রাজ কুমার লোইখোম সনা হায়রিবসি মতম অমগী মমিং লৈখিবা ইমুং অসিগী

মীশক্লি। রাজকুমার লাকসনাবু পোকপা রাজকুমার গুলামজাৎ সনাগী মপানি । গুলামজাৎ অসিসু শামু ময়াগী লৈতেং শেন্বগী খুৎ হৈবা অমা ওইখি। পূম্নমক অসিগী মথক্কী অহল ওইবীখিবা (ইপুধৌ পুরেল)অসি রাজকুমার সনা চমপান্দো হায়রিবা অসিনি। চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ মতমগী মতীক মথৌনা লৈবা মীশক্লি। নিংথৌ শেন্বা য়াওই হায়বগী ইরোং অহুম ফাংবদা হাৎখি হায়না চিনবুংদা ৱারীনখি হায়বসি য়াম্লুং রাজকুমার গোজেন্না অমুক নৌনা লীবীরকখি। মতৌ অসুম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদগী মতীক ময়াই লৈবা ইমুং অমা ওইনা লাকখি অমদি শামুগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শিনফম ওইরকপনা শুথাং হাকতক্তা লুহোংবদা কোনুংনা শামুদা নুপী থিল্লকপগী অয়াবা অসি ফংদুনা ঙসি মীয়াম্না ফোটো অসি উবা ফংবনি। নাৎকী মমল য়াম্লবা পোৎশক অমা উহনবা ফংবসিদা ইমুং মনুংবু থাগৎচরি। নাকোংসিদা হৌজিকসু অবোক্লা ইচলদা হংখিবদু তাবগুম্না তৌরি-হয়েং লুহোংবদা শামু তোংগদ্রা দোলাই তোংগদ্রা ? (মখা মথংগী চেফোঙদা)

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -২

হনুথংসিদা ঐ ইশাসি ইনখৎলকপা পাখং মচাদু ঙাইরে। মমাঙঙৈ কুইরবা ঐনা ইহান হান্না নুপী কোয়বা হৌরকপদা অহানবা ওইনা থেংনখিবা থোইবীগী ৱাখলদা পুমঙাও ঙাওদুনা লৈরি। অহানবা থেংনবা থোইবী, অহানবা ওইনা কোইজখিবা, অহানবা কোইজবদু পুন্সিগী অহানবা ওইনা কাইনখিবা, পুন্সিদা কাইনবগী অহানবা চৈনা ফংখিবা মহাকথক্কীনি। অদুগা ইচা পাখং ৱাই ৱাই ফাগৎলক্লবসিদা হৌজিক্লা অমুক চহীনা নম্বো পোরকানসিদা অমুক ইনৌ হেক তৌনা হৌরকপদৌনা মচা অনীগী মমা ওইরবী, মপুরোইবসু খাইনদনা, কৌন-ঙাঙনদনা চঙনদদুনা, মাই নুপাদুনা অতোপ্পা নুপী অমা লৌরগা নুপী মপামদা য়াওং ইন্দুনা লৈখ্রবী মহাক্কী ৱাখলদা মঙলাক্লরি। মওন মওন শুম খল্লি। ঐনা ফনা নুংশি হায়দুনসু মাবু য়ূমদা পুশিনবা য়াবসু নত্তবা, ঐনসু মদুগী থাক্তু য়ৌনা থবক পায়খৎপা ঙমগদবসু নত্তবা, মীনি হায় শাদুনা হৌনৈ হায়দুনা তৌরিবনিনে ঐগীসে, খল্লুরগা নোকনীংবসু ফাওরকই। মখোন থোক্তনা থনুংদা হায়রপ নোক্লুরগা অমুকসু মহাক্কী অৱাবা অদুদা ঙাইহাক ৱাখলনা লামশিন্দুনা শান্নরুই। লোয়ননা হৌখিবা পুন্সিগী তাঙ্কক কয়া নীংশিংলগা পূক্লিংবু নৌথহল্লি। ঐ মঙোন্দা মানা পীরম্বা ফোন নম্বরদু চৎপ্রা থুনা য়েংনীংলকখি। ঐখোয় নুপী লৈরিব্রা হায়না হায়ফেৎ হৌগৎলগা য়েংলুবদা, ঐখোয় নুপীদি তলদু পুরগা ইতৈমহোইরোমদা চঙখিবদু উই। তাঞ্জাসি মাঙহনবা চুমদে হায়না ফুরিৎখাওদগী ফোনদু লৌথোক্লগা ঙসাই সেভ তৌশিনখিবা নম্বরদু থিরগা কোল তৌশিল্লি।

"ত্রিং ত্রিং... ত্রিং ত্রিং..." ফনা কুইনা পাইরক্তে, তাল্লজাৎলনে হায়না অমুক য়েংই। সেভ তৌখিবা নম্বরদুনি খঙই। নাকোংসি থাঙ্গৎতুনা পায়খৎলকপা তারি।

"হেল্লো" পায়খৎলক্লে, খোঞ্জেলদু হায়ফেৎ চিংনৈ মহৌশাগী থোইবীগী খোঞ্জেলদু হায়ফেৎ মানগুমদি তৌ, মান্দগুমসু তৌ, ঐ খজিক নীংহন্নখি, অদুবু মখা তানা হংজিল্লি।

"সিবু থোইবী নত্রো?"

"মানি, ঐখোয় মমাদি ফমুংদা হিপ্লী" ঐ খঙই ফোন পায়খৎলক্লিবসি মাগী মচা শোয়দনা ওইরম্লগনি হায়না।

"সিবু কনানো?" অঙাংদুনা হংলকপা ৱাহৈদুগী পাউখুম ঐ পীবা ঙমখিদে ঙাইহাক্তু, লৌশিং মচা অমা মাঙখিবদৌনা তৌরকখি। অদুবু খুমদবদি য়াদবনিনা খুমজিনখি।

"ঐনে ঐ... নমা লৈতবরো?"

"মীনা ফমুংদা হিপ্লী হায়রগা"

"ও অমুক্তা পায়হল্লকউ"

"করিগীনো? হংলিবা ৱাহংদু অঙাং অশিংবা অমগী ৱাহংনি। মমাদু মখূৎনা কন্থোকপদৌনা তৌবা ৱাহংনি।

"ৱা অমা হায়গে তৌনি"

অঙাংদুনা ফোনদা হায়বদু তাই,

"মমা নঙগী ফোন অমা লাকই, কনানো খঙদে"

"কদাই পীরকউ, নঙ ট্যুসন চৎতুই নৎত্রা, চৎলো থেংখ্রনি"

"উম চৎকে হায়না থোরক্লবনে"

"ফজনা চৎলুকো"

"হোই" মমা মচা ঙাঙনবা ৱাদু ঐ মুন্না তাই। মশক অমুক্তা উদ্রিবা মাগী মচাদুবু নুংশিবা ফাওরকই।

"হেল্লো" ঐ শ্বাই লাওই, খোঞ্জেলদু ঐগী নাকোংসিদা ঙংদুনা লৈরিবা থোইবীগী খোঞ্জেলনি।

"হেল্লো, কনা ওইবিরবনো?" কয়াদা নুংশিখ্রবা মেংখ্রবা খোঞ্জেলনো। থোইবীদি মহৌশাদগী হৌনা ৱা অমুক্তা কন্না হায়জদবনি। ঙসিসু মদুগী মতৌদু করিসু হোংলমদ্রি। মশকসু ঈংনা ফজবনি, ঐগী ইরাং লাংবা থম্মোয়বু মানা পুমঈং ঈংহনখিবনি। অদুবু করিগীনো মাবু পামদ্রে হায়দুনা মাগী নুপাদুনা অতোপ্পা নুপী অতোনবী অমা লৌরগা নুপী মপামদা লৈখ্রগা হন্না য়েংলক্তে হায়রিসি। সুম খল্লিঙৈদুদা অমুক হায়রকখি।

"হেল্লো... হেল্লো..."

"হেল্লো, ঐনে, মোহেন নে"

"হায়মা ঐদি কনা কনা ওইরবোই নীংলুরে? করি লৈরগে"

"নঙগী ফোনসি চৎপ্রা য়েংলকপনি"

"চৎত্রবো?"

"চৎলে"

"য়ারবো?

"য়াদ্রি"

"করি হায়দুইনো?"

"য়াম হৈনদ্রবরো"

"অদুই নত্তেদা। থায়নগী ফিংবদু হল্লমদ্রিনা"

"ঐনা কাইদা ফিংলিবা"

"ফিংলিদুদি?"

"ঐ নত্তে ফিংলিদু, নঙনি, মরোল মরী করিমত্তা হায়নদনা নঙনা ফিংমন্দুনা কায়নখ্রিদুনি"

"অদুদি ঐনা নত্তে,নঙননি"

"ঐনা কমাইনা?"

"য়ারে তোক্লসি, নঙনা অহেনবা পামদনা তৌরি নৎত্রা?"

"থোইবী অদুগী ৱাশিংদু ফাওবা শেংদোক্লনবা মতম পীদখৈ নহাক অতোপ্পা নুপা অমগা নুংশিনখ্রি নৎত্রা?"

"ঐঙোন্দা তাইশিন্নরক্কনু, ঐসু নুংঙাইবা নত্তে মদো, নঙগী নতৌদুদা তৌখিবনি"

"নঙনা তিন্নবা নমান্নবীদুগা ঐগা কমাইনা মরী লৈনদুইনো"

"লৈনৈ খঙই"

"লৈনদে হায়বনি, হোই মানা ঐবুদি হোপ খরা চাজবা মাল্লি, অদুবু ঐ মঙোন্দা কৈসু হায়রুবসু লৈতে"

"মানদি হায় ঐঙোন্দা নঙগা মরী লৈনরে হায়না, অদুদা ঐনা য়েৎনীংদদুনা লাপথোক্লবা হোৎনখিবনি"

"অদুৱাইদুদা য়াম শাথীনা লাল্লে, ঐ মাগা মরিমত্তা মরী লৈনদে, নহাক্লা অতোপ্পা নুপা অমগা মরী লৈনখিবদা ঐ নমান্নবীদুগা কোয়নখিব্রা?"

"অদুবুদি কোয়নখিদবা মাল্লি"

"অদুনি, ঐসু থৱায় নুংঙাইমন্দদনা হৌজিক ঐনা লৌরিবা নুপীসি কোয়খিবনি। অদুবু হান্না খঙনবা নত্তে। নঙসু ইকুই কুইদনা নৌনা কোয়নবা নুপাদুদা চেনখ্রি নৎত্রা?"

"হোই মদু লাইবক্তা তল্লমদবগীনি হায়না খল্লে"

"অদুবু হৌজিক নহাক্কী ৱারীসি তাবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইতে"

"নুংঙাইতে হায়দুনা হৌজিক্তি কৈদৌরুনি"

"কৈসু তৌববুদি ঙমদে। অদুবু নহাক্কী দুকান্দু করি করি য়োল্লিনো"

"কৈসু য়োনবা নত্তেদা, অচা অথক, থাও-থুম, হৱাই চেঙৱাই খরা সুম য়োনবনিদা"

"ঐ হোরেন লাক্কে, থোঙ হাংলোইদরা?"

"হাংগদবনি, অদুবু ঙসিদি খংতন তনশিল্লক্তনা হিপ্পগা লৈশিল্লে, নহাক লাক্কে হায়রদি হাংলগে"

"অশেংবা?"

"উম..."

"ফরে ঐ শোয়দনা লাক্কে, অদুগা ৱারী শাসি, কৈসু কাইরোইকো"

"কাইরোইদা, ইচম চম্না ৱারী শানববু করি কাই হায়গে?"

"হোই অদুদি ঐ লাক্কেকো, থম্মগে"

"উম"

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**